থা ৩/৩ গী চেফোঙ্

অহানবা মসীং, ফেব্রুয়ারী ২০০৬ ইং

# “নীংতম্বা”

“ইমা লৈবাক, ইজাতিগী দমক
নীংতম লানফমদা থরাইবা
পোন্থা পিখিবা অথোবাশিংগী
মফমদা আমসুনা কথোকচরি”।

ওল আসাম মনিপুরি ষ্টুডেন্টস ইউনিঅন
এন. সি. হিলস ডিষ্ট্রিক কমিটি
হাফলং

থা অহুম-অহুমগী চেফোং

# নীংতম্বা

পাবিয়ু , নৈনবিয়ু , তাকপিরকউ ,
অহানবা মশীং ফেব্রুয়ারী ২০০৬ ইং


চেয়ারমেন
প্রনয় সিংহ

ইদিটর
হীজম শ্যামকুমার সিংহ ,

জোইন্ট ইদিটর
এল. থোইবী সিংহ ।

মেম্বর
বীজয় আনন্দ ওইনামঃ
সুভাষ সিংহ
ইঙাঙম্বা সিংহ
রাজিব সিংহ

বানান অমসুং ৱাখল্লোন অইবা মশাগীনি

মমল ঃ লুপা ১৫.০০
হক পুম্বা কমিটিগীনি।

ফোংদোকচবা
অল অসাম মণিপুরী
স্টুডেন্টস ইউনিয়ন , এন, সি,
হীলস ডিষ্ট্রিক কমিটি ।
হাফলং , এন , সি ,
হীলস , অসাম ।

লৈফম - ইদিটর নিংতম্বা
C/O- মুকুন্দ সিংহ
হাগজের নগর , হাফলং
এন , সি , হিলস , আসাম


## ইডিটরিয়েল

বরাক তম্পাক অমসুং অসামগী মফম কয়াদা ইতিহাসকা শাগোন্নদুনা মণিপুরীশিংনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকপদগী ওসি ফাউবদা ফজরবা পান্দম কয়ামবোম মাংদা থমদুনা লুপ কয়ামবোন্না মতম মতমগী ওইবা থৌদোকরাথোককয়াদা মায়োক্নদুনা লাকলি। চৎথরকলিবা খোঙচৎ অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা মরন্নাই লুপ কয়া পোকল্লকখিবা য়াউরি । নৈন্ননিঙাই অমসুং খন্ননিঙাই ওইবা ৱাফমদি হৌজিক হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা লুপশিং অসিনা হৌখিবা ইতিহাসতা করি করি তৌখ্রে অমসুং তুদা ঐখোইনা ঐখোইগী দমক ঐখোইগী তুংগী চারোন শুরোনশিংগী দমক্তা করি তৌফম থোকই হাইবসি য়ান্না চিংননিঙাই ওইবকলি । লুরিবা ৱাফম্না খরা খরা হিংদুনা লৈরিবা লুপশিং অসিগী মনুংদা চুংশিন্নদবা মতখেৎনরকপা কয়া থোরকপা ঐখোইগী মিৎ মাঙদা শঙ শঙ উরি । মত খরা মানবা লুপ অমা অনীনা শমজিনরিবা অসিসু জীরিবাম অমদি ইম্ফাল ফাওনরিবা N. H. 53 লম্বীদা লৈরিবা থোংগুম টৌন ১০ দগী হেন্না লুম্না গাড়ী চৎপা য়াবোই হাইবগী ফিভমদা লৈরগুম তৌরি । ঐখোইগী লুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা লৈনা অসি কেন্সারদগীসু হেনবগুম তৌই । মসি Dignoses তৌবদা রান থোকলে মতম চানা কলহৌদ্রগদি অপুনবগী খোল্লাও লাওরিবা ঐখোইগী লুপশিং অমদি ঐখোই খুদিংমকখুন্নাই অসিবু নমথাক তৌবা হাইবদু ওইগদ্রা হাইনা খনজে । অহল ওইবকলগা নিংশিংবগী পাঙ্গল ৱাথবকপগুম ঐখোই খরা লিরিবা লুপশিংসি মশাগী থৌদাং করিনো হাইবা কাউখিবগী ফিভমসু উবা ফংই। খুদম ওইনা পনজরবদা লানমী মকোক ওইবক্কদবা লানমিবু শেরানন্না লমজিংদুনা শেরানবা লম্বীদা পুবিবসু উবকলি । মরম অদুনা ঐখোহগী লুপসিং অমদি ঐখোই খুদিংমক অথুবা মতমদা মঙলান্দা তাউদুনা লৈবগী মহৎতা তঙাই যদনা করিগুম্বা খরা তৌবনা চুমগদ্রা খঙ্গে ।

হিজম শ্যাম কুমার সিংহ

# পাউজেল

নর্থ কাছাড় হিলস আমসু দিস্ট্রিক্ট কমিটিনা শিল্লাংজদুনা পুথোক্কদবা থা অহম অহমগী চেফোংগী অহান্না মশীং নুমিৎ মঙাল উগদৌরে তাবদা নুঙায় । অমুক হেন্না নুঙায়রিবনা চেফোংসি নর্থ কাছাড় হিলসগী খুত্তা মশীং থিবা য়াবা শাথিনা মশীং য়ামজদবা মণিপুরী মহৈরোইশিংতনা হোৎনজদুনা পুথোক্কদবসিনি । চেফোং অমা লৈরবদি ইনিংবা মীগী মশীং য়ামখৎলক্কনি। ইবু ইথরবদি কলম মচিন থৌবা হেনগৎলক্কনি। মখোইগী পোথোক মণিপুরী সাহিত্যগী লন ওইরক্কনি । অহান্না মশীং ময়াং কংলবসু লমদমসিগী মণিপুরী মহৈরোইশিংগী লেপ্তনা হোৎনবা ঙমজবা অমসুং কথোকপগী শক্তীনা চেফোংসিনোয়পেল্লক্কনি অমসুং মশা মউ ফরক্কনি হায়না আশা তৌজে। চেফোংসি তোলোয়বা ওইসনু ।

ওক্রম চুড়ামনি সিংহ
চিয়ারমেন, আসামমণিপুরী
কালা একাডেমি, শিলচর

---

## LETTER TO EDITOR

ইডিটর

N. C . Hills AAMSU Distrit Committee না শিল্লাংজদুনা চৎলিবা চহী অসিদগী থা ৩ / ৩ গী ওইবা চেফোং অমা পুথোক্কানি তাবদা য়ান্না নুঙাইজৈ । মঙজরম্বা মঙ অমবু মঙফাওহনবীরকপগী দমক District Committee অমদি ইচাশকপা য়াবা ইডিটরবু খুন্নাইসিগী দমক নুঙাই য়াইফনা পুন্সি তোলোয়বা ওইসনু হায়না আর্শীবাদ পিজরি । ইনাৎ অমদি ইজাতিগী দমক্তা হিংলিঙৈ মিকুপ খরদংবু মশা মশাগী তুমদুনা লৈরিবা থৌনা লিংজেন অদুবু মীকপ থোকহনবদা চেফোং অসিনা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না থাজবা থমজবগা লোইননা চেফোং অসিনা পুন্সি তোলোয়না লৈনবগী দমক অঙম্বা মতেং পাংজগে হাইবগী থাজবা অদু থমজরি।

প্রভা সিংহ,মাইবঙ

# ৱাহৌদোক

এন , সি , হিলস ''আমসু'' দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী মনুং চন্না লৈরিবা ঐখোয়গী নহারোলশিং অমদি লমদমসিগী ঐখোইগী ইচিল ইনাওশিংদা হাঁমালোনদা করিগুম্বা খরা ইবা অমদি পাবগী অমা পুরকনবাগী পান্দম অমগা লোয়ননা ঐখোয়গী নোংমগী থবক থৌরমগী ৱাংমদা লেমহৌরিবা মতমবু লাইরিক্কা মরি লৈনবা থবক থৌরমদা শিজিন্নবগী ৱাখলদা Journal অমা ফোংবসি অরাইবা থবকতিনৎতে। অদুবু ময়ামগী মতৌ খরা তম্বা থোকলবসু করিগুম্বা খরা হৈহৌজরবদি মদু অমাংবদী ওইরোয় খনজৈ। ময়ামগী মতৌ তম্বদা মীয়ামনা তাকপিরকপা খুদিংমক ঐখোই নহারোলশিংগী পুক্সিগী অচৌবা experienced নি হাইনা লৌশিনজরী। ঐখোয়গী Journal অসিগী অশোয় অঙাম থিবিকপু মীয়ামগা ঙাকপিরে হায়রগা অশোয়বা অদু মেশিনবগী অমম্বা পাওতাককয়া পিবিরক্কনি হাইবগী থাজবা অমসু থমজরি। Journal অসি ফোংবদা ''আমসু'' এন ,সি , হিলস দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী থৱায় য়াওবা ঐখোয় ইচিন ইনাও খরানা মশাগী লৈজবা খরা পুথোক্লগা হোৎনজবনি। মীয়মদগী Journal অসিগী দমক তোঙান্না শেল থাইজদে। মরমসিনা ঐখোয়গী Journal অসিদা অরিকপা মমল অমা তেংবাং শেল ওইনা থমজরি। আমসুবু নুংশিবিবা ঙসিগী নৌনা হৌগৎলকলিবা নাহারোল অমদি মহৈরোই খুন্নাই অসিবু য়োৎখৎপিবনি হাইনা লৌজে। ঙসিগী নাহারোনল হয়েংগী জাতিগী য়ুম্বীরেননি।

ইডিটর

# করম্বা লমায়দা করি য়াওরি

ৱাহৌদোক


## নৈন ৱারেং

আসামদা মীশিং লিকপা (Minority) জাতি অমদি মীচেনশিংগী হক।

মোইরাংথেম অমুসনা সিংহ লাঃ ১

## শৈরেং

স্মৃতি - ******************* লাঃ ৪

চিংগী শিঙেলরাজেন লাইপ্রাকপম লাঃ ৪

নীংতম্বা

বিজয়া হাফলং লাঃ ৫

BLESSED'RE THOSE WHO'RE BORN IN MY COUNTRY ******************

CONJUCTION লাঃ ৬

## সাহিত্য

লময়ানবা অমগী পাওখুম ( ৱারী মচা )

হাফলং বাবু লাঃ ৭

এন, সি, হীলসতা মীতৈশিংনা শিংনা খুন্দা লৈতারকপগী ফিভম। লাঃ ৯

## বিজ্ঞানগী শরুক

কমপুটারগী অনৌবা য়াওলদা

ডি , এন , এ কমপুটার

খোমদ্রাম অরুন সিংহ লাঃ ১১

কেরিয়ার কোর্নার লাঃ ১২

**ALL ASSAM MANIPURI STUDENTS' UNION**

H.O. : Manipuri Boys' Hostel
Park Road, Silchar-788 001, Cachar, Assam.
Estd.-1978
MOTTO : STUDENTS ARE THE PILLARS OF THE NATION.


Ref. No. : AAMSU/NCH/E/06 . Date : 25/01/2006.

# পাউজেল



All Assam Manipuri Students' Union N.C. Hills District-Committee, Haflong, Session 2005-2006 না শিনলাংদুনা অহান্বা ওইনা ফোংগদৌরিবা চেফোং "নীংতম্বা" ফোংলগনি খঙবদা য়াম্না নুঙাইজবা অমসুং পুক্নিংনুংশিবা পোকই।

মালেমসিদা জাতি অমনা শকখঙহন্বদা জাতি অদুগী লমচৎ-শাজৎনা মমী ফজহন্বাগুম মহৈরোয়শিংগী ৱাখল্লোন খঙবগী দমক চেফোং অমনা অশেংবা মশক উৎকনি। চেফোং অসি ফোংবগী দমক শৌগৎপীখ্রিবা, লম্বী তাকপীখ্রিবা অমসুং মাইগৈ কয়া মরোমগী ওইবা মতেং পাংবিরক্লিবা খ্বাই তরাবু ওল আসাম মণিপুরী স্টুদেন্দস উনিয়ন (আমসু) গী মাইকৈদগী নোল্লুকচরি অমসুং কাওঙমলরোইদ্রবা নুংশিমিৎয়েংবু ইকাইখুম্নজরি।

ইমানা মলুম্মী, নুংশিনবনা পুক্সিনি অমসুং মীওইববু নুংশিবগী, খ্বাইতরাগী ৱাখল্লোনগী, জ্ঞান-লৌশিংগী, হৌন লোনচৎকী, ৱারক-ৱাতেম্বগী, ফিজেৎ-লৈতেংগী অশেংবা মশকনা তুংনফম ওইগদৌরিবী "নীংতম্বা" চেফোং অসিনা মপুং-মরৈ ফানা, মনিংতম্না ঙাম্বা ওইসনু অমসুং তৎনা থানাবা য়াদ্রবা ইতিহাস ওইরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবগা লোইননা তেংবানবা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

চেফোং অসিবু য়েংশিনবিরিবা নুংশিজরবা খ্বাইতরাবু All Assam Manipuri Students' Unoin, N.C. Hills District-Committee, Haflong শিনলাংদুনা পুথোকচরিবা চেফোং অসিদা অশোয় অঙাম কয়া য়াওরবশু ঙাকপিনবগী দমক আমসু সেন্ট্রেল কমিটিগী মায়গৈদগী নোল্লুকচরি ।

Sinam 25/01/2006

**SINAM PAHARI**
President
All Assam Manipuri Student Union

# আসামদা মীশিং লিকপা (Minority) জাতি অমদি মীচেনশিংগী হক

মোইরাংথেম অমুসনা সিংহ

মালেমদা লৈরিবা মীওইবগী হক হায়রিবা হক অসিনা খ্বাইদগী মীৎয়েং চিংশিন্নিঙাই ওইরিবদি ঙসি অসামগী মীশিং লিকচবা অমদি মীচেনশিং অসিদনি রাজনিতিগী মাইগেদগী খংদে খঙহৈরবা মীওইশিংগী মাইগেদগী খঙদে হাইরিবা মীশিং লিকচবা অমদি মীচেনশিং অসিগী অৰা অনা শিংবু মীনুংশিগী মাইকৈদগী ঙসি ফাওবা য়েংবিদ্রি। ঐখোয়না মসিমদি হঞ্জন হঞ্জন্না হায়নৈ মদুদি নোংপোক্ বেঙ্গোলগী মীচেন ময়াম অমা চংলকক্তুনা অসামদা খুন্দাখি হাইনা হায়নৈ। তৌইগুম্বাসুং মসিমদি ঐখোইনা কন্না লোৎসিন্নবা হোৎন্নৈ মদুদি ভারতপু অনী থোক্লা খাইদোকপগী জাতি মসেল হাৎনা শুনবগী মতমদুদা আসামগী মীওই লিশিং ৫০ মুক নোংপোক পকিষ্টান্দা চেনশিনখি। অসুম হাইনা নেহেরু অমসুং য়ানবগী তুং ইন্না মুসলিম খরসু মখোইগী ইমুং মনুংগা লোইননা নম্ফুদা আসাম থাদোকখি। ১৯৫০ অমদি ১৯৬০ অদুৰাইদা অসামদা চেনশিলকখিবা মীচেন অয়াম্বা হিন্দু ঙক্তনি ।মরম অসিনা Border গী অপিকপা অহোবা কয়াদগী লোন্না নোংপোক পাকিষ্টানগী·মুসলিম কয়া ভারতকী ঙমখৈ মনুং চেনশিলকখি। হাইরিবা মতমদুগনা ভারতনা বংলাদেশ অমদি পকিষ্টানগী চেনশিলকখিবা মীচেনশিং অসি থিংবা য়ারমবনি । Sino India war 1960 দগী ঙসি ফাউবদা হাইরিবা মীচেনশিং অসি অসামদগী তাম্থোকখিনবা দাবি তৌদুনা লাক্লী। অদুগা অমনা ভারতনা নিংতমদ্রীঙৈগী মমাঙদগী অসামদা খুন্দাদুনা লৈরকখিবা বেঙ্গোলি, মুসলিমশিংগা নীংতমলবা মতুংদা চেনশিনলকখিবা মীচেলশিং অসিগা করম্বনা হান্নদগী লৈরকপনো হাইনা খনদোকপা হাইবসি অরাইবা থবক্তি নত্তে ।মদুগীসু মথক্তা নোংমা নোংমাগী ম্রীশিং হেনগৎলকলিবা মুসলিমশিং অমদি মীশিং লিকপা কাংলুপশিংগী মীহুৎশিংনা Assembly দা parliament দা থাগৎলকপাগী মশিং হেনগৎলকপা অসিনা আসামমিসশিংদা অঙকপা অমখক ফাওবা হৌগৎলকখি। আসামিসকী লোন অমদি ইনাৎ মুথরকপগী অকিবা লৈরকখিবা লোহননা মশাগী লৈবাকসিদা মখোইনা মশিং লিকপা কাংলুপ ওইরকপগী ফিভম অমা উরকখি। মরম অদুনা মখোইগী মরু ওইবা মীৎয়েংদি বাংলাদেসিশিংদনি ১৯৮৩ গী নেল্লি (Nelli) মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক্তাদা আসমিয়া মুসলিম ১২০০ রোম নুপী অমদি অঙাংশিং য়াওনা শাঙা হাৎপগুন্না হাৎখি । আসামগী অন্দোলোন মতমদা মুশলিমশিংগী মথক্তা লান্দরকখিবা অদুনা মপান লমদমগী চংলকপা মীচেনশিংগা লান থোক্নবগী মীংদা মখোইগী মথক্তা ওনশলকপনি হাইবসি আসামিয়া মুসলিমশিংনা চিংনবা হৌরকখি। IMDT Act থোরকপা অসিনা অমুক মখোইগী মফমদা অনৌবা

অকিবা অমমুক পোকপা হৌরকখি। ।

SinoIndian War , 1962 গী মতুংদগী Pakisthani মীচেনশিংবু অসামদগী তানথোকখিনবা অমদি পুথোকখিনবা দাবী তৌবা হৌরকখি। Border দা লিৎশিনলকখিবা মীচেনশিংসু থীংবগী মহৎতা অসাম সরকারনা " Prevention of infiltrations from pakisthan ,, ( P I P) scheme অমমুক থোকখি। লোইন্না অসামদগী পাকিস্থানিশিং খনদোকপগী মীংদা পুলিসশিংনসু অসামিয়া মুসলিম শিংবুসু য়াম্না ওৎলম্মী। ৫৬৯১৭, ১৯৬১ দগী ১৯৬৭গী মনুংদা আসাম পুলিশনা নগাঁও ডিস্ট্রিকতগী শুপ্পা মীওই মীচেনশিংবু মপানদা থাদোকখি।

IMDT , Act কী মতুং ইন্না কনাগুম্বা ভারতকী নাগরিক অমনা মাগী মনাক্কী অকোইবদা মীচেনশিংনা খুন্দান্দুনা লৈরে হাইবা খঙলবদি মনাক নকপা police Station অমদা Report তৌবা য়াই । Border I G P অমনা লুচিংলগা হাইরিবা মীচেনশিং অসিবু পল্লপ পুনশিল্লগা মপান্দা তানথোকখিবা ঙম্মী। পুলিসনা কনাগুম্বাঅমবু মীচেন্নি হাইনা চীংনরবদি মাগী মায়োক্তা PrimaFacic Case পানশিনবা ঙম্মী। লোইননা অককনবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ভারতকী নাগরিক অমনি হাইনা Court তা প্রমান পিবগী মথৌ তাগনি । করিগুম্বা মহাক্না থৌশাদাবা তারবদি মতুংদা মাগী মাযোক্তা Court না মতিক চাবা চৈরাক পাইখৎপা ঙম্মী। অসুম হাইনা লাইরবা কয়া নোংমগী চরা তাল্লগা হিংজবা নোংপোক পকিষ্টানগী মীওই কয়া Court কী Notice ফংখি। ম শাবু কনজনবগী দমক অরৈবা শেন থুম কয়া চাদিং তৌখি । অসুমনা চৎথরকলবা মতুংদা Police কী Combing Operation কিবদগী লাইরবা মীওই কয়া সারেন্দর তৌগনি অদুবু শুপ্পা মীওই ৩,০২,৫৫৪ মীচেন্নি হাইদুনা থিগৎলুবদা শপ্পা মীওই ৯,৬২৫ খকতংবু আইন্না য়াদবা মীচেন্নি হাইনা লাউথোকখি। AASU অমদি Assamese লুপ কয়ানা থাজে মদুদি বাংলাদেসি মীলিওন কয়া অসামগী মনুংদা লৈ হাইনা অদুবু IMDT Act না আসামদগী মীচেনশিং তানথোকপা ঙমদ্রে । Assam Accord কী মায়োক্তা লোইনন্না I M D T Act পুসু লংথোকলগা ১৯৫১ গীা মমাঙদা ভারতকী নাগরিক অমনি হাইনা Resistrare তৌবা চেচাং অদুবু ভারতকী নাগরিক অমনি হাইবগী শকতাক চে ওইগদবনি হাইনা পুখৎলকখি । মসিমদি অচুম্বনি। মদুদি IMDT Act অসি য়াম্না শাংবা মতম য়াম্না চংবা Process অমনি অদুবু মহৌশাগী ৱায়েল মতুং ইন্না মী অমনা মশা কনজানবগী খুদোং চাবা অদুদি পিফম থোকই । মহাকপু মীচেন অমনি হাইদুনা লৈবাদকতুদগী তাম্বোকত্রিঙৈ মমাঙদা Foreigners Act 1946 অসিনা মহৌশাগী ৱায়েল পুমনমক নমথরগা Executive তা হেন্না পাঙ্গল পিশিল্লকখি মদুদি কনাগুম্বা অমবু মপান লৈবাক্তা চংলকপনি নত্রগা মীচেন্নী হাইবসি আইনগী অয়াবা য়াউদনা লেপথোকপা অমদি শকতাকপা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং পুলিসনদি কনাগুম্বা অমবু ভারতকী অশেংবা নাগরিক অমনি হাইদুনা চিংনরবদি মখোইশিং অদুদা ওৎপা নৈবা তৌবা য়ারোই।

বংলাদেসি অমা ফাউবা আসামদা লৈতে হাইদুনা য়েৎচবা নৎচদে মরমদি য়াম্না শাথিনা লাইবব বাংলাদেসি খরদি মখোইগী হীংনবগী লম্বী থীরকপদা আসামদা চংলকখি । মখোই মশানা খঙজে মদুদি মসি মখোইগী লৈবাক নত্তে অদুনা মখোই মতম পুম্বদা

তাম্বোকপিগদ্রা হাইবগী অকিবা অমগা লোইনন্না হিংজবনি। মসিগী খুদোং চাবসি লৌরগা মখোইশিং অসিবু য়ান্না অলিকপা খুশুমলদা থবক শুহনলম্মী। অসিতসু নত্তনা মখল মখাগী থবক কয়াদা মখোইবু ওৎপিরম্মী । মসিশিংসি Town দতা নত না খুলকতা ফাওবা তৌরম্মী । অসামদা চেনশিনলকপা মীচেনশিংগী দমক্তা থোং লাউনা হাংদোক্নুনা থম্মু হাইজবা নৎচদে । সুপনতগী ঐনা হংজনিংবা হাইববু হাইরিবা মীচেনশিং অসিগী হক (Right) পু ঐ খোইনা মাংহনফম থোকপরা, মখোইবুসু মী অমা ওইবগী চৎপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংফম থোক তবরা হাইবসিনি। ইতিহাসকী লিরবা মতমদগী য়েংলকপদা ঐ খোইনা উবা ফংই । মদুদি অসাম অসি তোঙান তোঙাম্বা জাতি ধর্ম্ম , লোন , কাঙলুপ কয়ামরোম্না পুল্লপ পুনসিল্লগা খূন্দা লৈতাদুনা লৈরকখিবা লৈবাক অমনি । ভারতনা নীংতমদ্রিঙৈ লৈবাক্কী ঙমখৈ য়াৎথোকত্রিঙৈগী মমাঙদা কনানসু কনাবু আসামগী নাগরিকনি হাইনা শকতাকনরমদে, খঙনরমদে। চাওখৎলবা জাতি খরতনা মখোইগী হক (Right) তা শেমলকপবু মীওইবগী হক মাংহনবনি হাইনা লৌই । অতৈ অপিক অপিকপা লাইরবা জাতিশিংগী হক মাংহনলকপবু করিসু ওইনা খনদে । অসুম হাইনা মরোমদোম লৈঙাকচবা ( Self determination) অসি মখোইগী Fundamental right হাইনা অদুবু লৈবাকতুদা তারিবা অপিকপা জাতিশিং অদুসু চপ মাননা মখোইগী হক শিজিন্নবা য়াই হাইবসি কাউথোকই । মখোইগী হৌরকফমনি হাইনা পোংজরিবশিং অদুসু মতম খরাগী মমাঙদা মখোইসু মীচেন অমা ওইনা মফমসিদা চংলকপনি হাইবসি কাউথোকই । মরম অসিনা ভারতা জাতি অমগা জাতি অমগগী মরক্তা য়েংথিনবগী খ্বাইদগী চাউরবা মচাক অমা ওইহল্লি । অদুগীসু মথক্তা লৈবাক অদুদা তারিবা মীশিং অদুগী অৱাবা ময়ামদু কৈদৌনুংদসু ফহনবা ঙমলোই । নোংমা নোংমাগী সমাজকী শেনথুমগী ফিভম শোকচিনলকপা নত্তনা লোইনা লোইন্না লালহৌবা শিং থোরকপগী মচাক অমা ওইরকপা মশানা তাবনি ।মরম অদুনা জাতি মশেন উংখৎনবা তোকথোক্নুনা মশা মশাগী জাতিগী অমদি লৈবাক্কী চাউখৎনবা হোৎনরবতদা তংতাবা শান্তি লৈবা চাওখৎলবা আসাম অমা ওইহন্বা ঙমগনি। অরোইবদা ঐখোই পুন্নমক্না কাউরোইদবা অমনা , অসাম জাতি , ধর্ম্ম লোন তিন্নদবা কাংলুপ কয়ামরোম্না পুলপ পুন্না খুন্দামিন্নবা ভারতকী Union গী মখাদা লৈবা পিক্লবা লৈবাক অমনি হাইবসিনি ।


# নীংতম্বা

থা অহুম অহুমগী চেফোং

অহানবা মশীং ফেব্রয়ারী ২০০৬ ইং

পাবিয়ু , নৈনবিয়ু , তাকপিরকউ, শৈরেং ৱারেং ৱারী মচানচিংবা থাবিরকউ।

# স্মৃতি

ঙসিগী থৌদোক্ন
হয়েংগী ৱারীনি।
অফবগীন
অফবা ৱারী ।
ফৎত্তবগীন
ফৎত্তবা ৱারী ।
কনান শেন্দোং
তানখি য়ান্না ।
কনান শেন্দোং
তানখি ৱাৎনা ।
চৎখিদে কনাসু
করিসু পুদুনা ।
থনমদে নুংশিরবা
হকচাং কৌবা ।
লৈহৌগনি অফ -
ফত্তবগী ৱারীতবু
স্মৃতি ওইনা ।

# চিংগী শিঙেল

চিংদা শাৎপী শিঙেল
নিংথিবী শক্তম
লকাফন্না শাৎচবী
লৈনুংশি চেন্বী
লৈতে হেকপিনবা
কেনখি মদোম
কালগী ঈচেলদা ।

রাজেন লাইপ্রাকপম
বর ৱামপুব

# নীংতম্বা

বিজয়া হাফলং

ঙাল্লসনু অৰাং কাছাড় মাইকৈদা

"নীংতম্বা" নংবু ঐখোয়গী

মহৈরোই শিংগী লমজিং ওই।

লময়াম্বা শিংগী পাঙ্গঁল ওই।

লৈত্রিনে ঙসিফাও অৰাং কাছাড় অসিদা

ঐখোয়গীনি হায়জনবা ময়ামগীনা পোংজনবা,

ঙাল্লুকো নীংতম্বা নংবু মতিক মঙাল চাওনা

পুন্সি তোল্লোইনা ঙাল্লুকো ঐখোয়গী ওইনা মাইকৈশিদা

লাও ইচিন ইনাওশা , অহল লমন লাইগুরুশিংসু লোয়ননা

নুপা নুপী খাক্তানা ইশাগী ওইজবা থিদনা

নীংতম্ববু ঙাক্লশি নীংতম্ববু কল্লশি ।

নিংশিংলি ঐখোয়না ঙসিফাও

পৃথিবীগী থৌদোক কয়া ৰারী কয়া

নীংতম্বগী দমক্তা থৰাইনা বলিদান কৎখিবা

শান্তিনা লৈতেংলবা মালেম অমগী ৰাখলদা ।

ভারত লৈমগী নীংতম্বা

ইমা মণিপুরগী নীংতম্বা

মৈতৈচা মহৈরোইশিংগী নীংতম্বা

ঐখোয়গী নুংশেল নীংতম্বা

নীংতম্বগী পানদমদি নীংতম্বনি,

তানমিনসি ঐখোই পুন্না ঐখোয়গী হক নীংতম্বা,

ফোংদোকমিনসি ৰাখলগী ঈ - পাউ নীংতম্বদা

হীংখিনি নীংতম্বা থাজবান মাংদ্রিফাওবা ।

# BLESSED'RE THOSE WHO'RE BORN IN MY COUNTRY

Vijay Anand Oinam
Convent Road Hafley

Blessed're those, Who're born in my country
where ordinary hands can sculpt exquisit kamasutra
where population bloom in every garden at nobodys mercy.
And modern day scholars preaches the Mahabharata .
Blessed're those, who're born in my country
where khadi is cheap , coffin costlier
where democracy hangs in the mahua tree
And modern day krishna and Arjun're the ruler
Blessed're those who're born in my country
where a carpentar's son can become a king
where poet like me're nail guilty
where literate fools're busy learning

# CONJUCTION

Vijay Anand oinam
Convent Road Haflong

A flower for the flesh,I offer
Bestowing my ardent love in exchange
I know, as a passionate lover
She'll meet me in her mountainous range
In Pounding Steps I'll walk with her
kissing the eagerly petals in wagging fog
I know , I got dews on my flower
Floating in the flooded river like a log.

# লময়ানবা অমগী পাওখুম

হাফলং বাবু

চাওখৎপগী খোঞ্জেলনা লেপ্প নাইদন চৎলিবা মতম অসিদা চাওখৎপগী মংলান অমা ফাওবা মনিং তন্না শাগৎপা ঙমজদ্রবা ইবোহল য়ৌবনগী ইনোৎ কারবা চহী মতাং অমদা তৌফম খংদবা অচুম্বনা করম্বা অরানবা করম্বা ৱায়েল তৌবা ঙমদবা মহাক্কী মথৌ করিনো হাইবা কাওখিদুনা য়াম্না অৱাবা ফিভম অমদা পুন্সি লেলম্মী । ইবোহল অঙাং ওইরিঙৈদা মমা মপানা য়াম্না লুন চান্ন তৌনিংবতা তৌহনদুনা য়োকলকখি। ইবোহল মবুদ্বি মরৌশিং লৈবা অফবা অঙাং অমা ওইনা মহাক্কী ওঝাশিং অমদি মীয়াম্না শকখংনরকখি। ইবোহলগী মমা মপা শেল পাইজদ্রবস ওঝা মচা অমা ওইরুবা অমদি মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমদা থৱাই য়াওবা কৌবনা মীয়ামনসু ইজ্জৎ পীবি । ইবোহল অঙাং ওইরিঙৈদা মমা মপান মহাক্কী অপামবা খুদিংমক পিদুনা মতম খিবিক্তা মনিং তন্না লৈননবগী হোৎনরম্মী।

ইবোহলনা নিপালশুবা থাকত মহৈ তমলিঙৈ মতমদগী হৌন মহাক্কী থম্মোইদা ৱাহং খরন তৎতনা য়ৈবা হৌরকখি অদুবু মহাক মতম অদুদা মহাক্কী থম্মোইগী ৱাহং শিংদুদা কয়া থৌ শারুদে । অঙাং ওইবগী হৌনবী শানখোৎনবনা চীংবদা মতম লেনখি। মরক অসিদা নোংদমবগী করমব অফব থৌশিল ওইরিগব ইবোহলন মহৈগী থাক মাপলশুব লোইশিলকপ মতমদ মহাক্কী মপাবুং কৈশাম সনাচাওবা খংহৌদনা মশাগী চহী মতাং য়াংখৈ মঙারোম শুরকপ মতমদ নোংগাখী। ইবোহলগী মতম খিবিককী তাইনফম ওইরিবা মপাবুংনা লৈখিদ্রবদ ইবোহলগী চমমনবা তৌফম খংদবা অমদি মশাগী মথৌ করিনো , খংলক তবগী পুন্সি মরেল অদুদ খোংদারকখি।

ইবোহলগী মমা ওইরিবী কৈশাম ওংবী মেমচা নৌনা লুখ্রা ওইরুবনা নিংবা কাইবগী মরকত ঙাংন হৈব মীগী মচিন, য়েংব হৈব মীগী মমীৎ, খনব হৈব মীগী থমোইগী মরকত নুপী ওইরুব কৌবন চেকশিনন লৈতবা য়াদবা অমদি মচাবু করমন মী ওইহনগদগে হাইবগী ৱাখলদা লানমী অমগুম য়ান্ন মথৌনা লৈন মথৌ মশক খংন পুন্সিগী লানফমদ লান মায়োকনরমী ।

মতমগী খোংলৈগী মতুং ইনন ইবোহল মহাককী পুন্সিগী অহানবা অচৌবা পরিক্ষা মেট্রিক পাশ তৌদুনা হাই য়ার সেকেন্ডারীগী অনিশুবা চহী তমলিঙৈ মতম অদুদ মহাক্কী ৱাখল মীৎয়েংদ অঙকপ অহোংবা অমা লাকখি। মহাক্কী য়েন্নীং হুলকখিবা চহী মতাংগী খামব য়াদব ফজবা ৱাখলন থেংনহনখি মহাকগুম্না ফজব ৱাখল চেনবী কয়া অদুবু মহাক্কী অওনব পুরকনিংব থমোইদ ইতিহাসন সাক্ষী ওইদুনা লৈরিব মহাক্কী মজাতিগী নিঙোলশিংগী তৌবা ঙম্বা , থৌনা লৈবা মগুনশিংদুগী মরকতা করিগুমব অৱাৎপা খরা উরম্মী। মতাং অসিদসু মহাক্কী পেনদব অদু অদুম লেপতন লৈখি।

মীৎকপ থোকহনখিব হাইগদ্র নৎত্রগ হেন্ন চমমহনখি হাইগদ্র হাইফম খংদবা অমা ইবোহলগী পুন্সিদা ওইখি। মদুদি খজিক Social minded ওইরুবগী হৌনবী সমাজকী ওইবা ৱাখল খনব হৌরকপগী তানজা অদুদ সরকারনাদি য়াওলোই কৌবিদ্রবা মশানদি য়াওলোইনি হাইন শকতাকচরিবা

কাংলুপকী মীওইশিংগ থেংনখি ইবোহল । ইবোহলদ তাকপিরকখি ঐখোয়গী ইরমদম অসি নিংতমহনদবা য়াদে নখোয়গুম্বা নহারোলগী য়াম্না মথৌ তাই ইরমদমগী দমক, অওনব পুরকতবা য়াদে , গান্ধীগী আর্দশ মতম অসিগ চানদ্রে হাইবন চীংব মখোইগী ৱাফম শিংদু তারুবদ নহা ওইরীব ইবোহলগী ঈগী ঈচেল অদু হেন্না কনখৎলকখি। অদুবু ইবোহলগী থম্মোয়দ মহৌশাগুম ৱাহং খরনদি অমুকসু হেন্ন য়ৈবা হৌরকখি ।মহাক খনবা হৌরকখি করম্বা নিংতম্বনো ঐখোয়ন পামলিবসি ?কনাদগী লৌগদবা নিংতম্বা? নিংতম্বগী লানফমদ চাওখৎনবগী হোৎনবদি কাওরোইদ্রা ? চাওখৎপগা নিংতম্বগা অনিগী মরকতা করম্বনা লুমবা হেনবা ? হাইবন চীংবা ৱাহং লিশিং কয়ান মহাককী মপুং ফাদ্রবা কোক অদুদা হেন্না কোক চিকহনখি। ইবোহল মহাকী থম্মোইন পেনবা পাউখুমদি কনাদগীসু ফংখিদে । ইবোহলগী থম্মোইদ ৱাহংশিংদুগী পাউখুমগী দমক য়াম্ন ওমচাক্লরম্মী। ইবোহল অয়ামবা মতমদা মদোমত ওইবগী ফীভমদ তুমিন তুমিন লৈরম্মী। মেমচান মচাগী ওইরকলিবা ফীভমদু উবদা মচাগী মনাকতা চংদুনা লমুকনরবা মচাগী ৱাখল অদুবু খংনবা হোৎনদুনা মহাক্কী তৌফম থোকপা মথৌ লাইরিক লাইশু পাদুন পরীক্ষা নিংথিন থানবগী দমক তাকপিরম্মী। মমাবু নুংশিজবা মচাগুম ইবোহল মহাককী পরিক্ষা থানবগী কন্না হোৎনরম্মী। মমা ওইবী মেমচাদি মপুরোইবগা লৈতবনে মচাগী ওইরকদবা পুন্সিগী খনবদ অৱাব অমা ওইরম্মী। ইবোহল পরীক্ষাদ মাইপাকলকপগী পাও তাবদ মেমচা হারাওবন তৌফম খংখিদে । মেমচা ৱারবসু ৱান মচাবু লাইরিক য়াম্ন তমহননিংবগী ৱাখলন ইবোহলবু Degree দ Admission তৌহনখি ।ইবোহলন Degree তমলিঙৈ মতমদ মহাককী ওঝা Prof শ্রী অঙৌতোন সিংহন মহাকপু য়াম্না লুনা চাননা তৌরম্মী। ওঝা অঙৌতোন অংকগী ওঝানি য়াম্না Straight Forword ওইব Scientifically চৎপ ,Principle দ Base তৌব ওঝানি। ওঝা অঙৌতোন ইবোহলবু মতম খিবিকতা য়াম্না কুপ্ন Study তৌরম্মী। নোংমা ওঝান ইবোহলবু ময়ুমদা কৌদুনা ৱারি শানখি। ইবোহলন মহাককী থাম্মোইদ ওমচাকলিবা ৱাহংশিংদু ওঝাগী মফমদা লানখৎখি। ওঝা অঙৌতোন, ইবোহলগী ৱাহংশিংদু ত্তারব মতুংদ ওঝান ইবোহলগী মকোকতা নানথবিদুনা তাকপিরম্মি। মজাতিবু নুংশিবা হাইবসি য়াম্ন ফজব অৱাংব থাক্কী ৱাখলনি অদুবু নংগী নুংশিব অদু iternal ওইব, Scientific ওইব , চাওখৎপদ য়ুমফম ওইব নুংশিব ওইগদবনি। ওঝানা মখা তান হাইরকখি " ঐখোই খুদিংমক য়াও লোই অমমম ওইগদবনি মরমদি মীওইব খুন্নাই অসি চাওখৎনবগীদমক ঐ খোই খুদিংমক মাইকৈ খুদিংমকতগী অত্তনব পুরকনব হোৎনগদবনি। " অদুগা ঐখোয়গী নিংতম্বদি কৈদৌঙৈদসু মাংব য়ারোই। নিংতম্ব হায়বসি মীওইব জাতিগী অমত ঙাইরব হকনি।" "নিংতম্বগী দমক চাওখৎপবুদী কাওব হৌনদে । মরম অসিন নখোয়গুম্ব মহে তমলিব নহারোল খুদিংমক অপনবা কয়া লাকলবসু নংগী অমত ঙাইরব" নথৌ মহে তম্বা অদু মপুং ফান তমনব হোৎনগদবনি। খুন্নাই অসিনা মথৌ তারিব য়াও লোই অসি Nuclear Scientist ,Software Developer space Scientist নি। ইবোহল মহাককী ওঝাগী ৱাফমশিংদু তাবদ মহাক অনৌব মপোক অমা ফংবগুম তৌখি। ইবোহলগী মথম্মোইদ ফাওরকখি ওঝা অঙৌতোনগুমব ওঝা মিওইব খুন্নাইগী দমক, ইজাতিগীদমক য়াম্না মথৌ তাই।

# এন, সি, হিলসতা মৈতৈশিংগী খুন্দারকপাগী ফিভম

অরবিন্দ ওইনাম

চাওরাক্লা ইংশোক ১৯৪২ গী মমাংৱাইদগী অৱাং কাছাড় চীংলমসিগী হাফলং লমদমসিদা চংলক্তুনা মৈতৈশিংসু য়ূমলৈ কৈরেনা লৈবা হৌর কই। মতাং অসি বৃটিশ ওফিসার মচা Mr. M.E. ST . John Parry না হাফলং Sub -- Division গী S.D.O . ওইদুনা পুরম্বাগী মতমনি । লমদম অসিগী শোঙলবা চীংলম অমদি তু - খোং কয়া ফাওহন্দুনা টান্যেল কয়া হুত্তুনা বরাক তম য়ৌনবা ট্রেইন লম্বী পুশিল্লকপগী মতাং অসিদা বৃটিশ ইন্দিয়া গোর্ভানমেন্টনা হাফলং লমদমসিদা রেস্ট হাউস, স্কুল,ওফিস, অমদি রেলওৱে ক্বোৱাটার কয়া নৌনা শেম শাগৎলকপগী মতাং অসিদা মপান লমদগী মীওই কাংলূপ কয়া চংশিল্লকখী । অশুন্না মথং মথং লমদমসিদা শেল পায়বা মীওই খরনা ঠিকাগী অমদি করবারগী অদুগা অতোপ্পা মীওই কাংলূপ খরনা পুকচাক্কী দমক মিস্ত্রি হাজিরা শুবা (Daily Wages) য়াওদুনা মফমসিদা চৎন - থোক্লা লৈরম্বদগী মমৈথংদা ময়ুম - ইংখোল লেপ্পদুনা তং -- তানা লৈথবা হৌরকখী ।

মতম অদুদা মৈতৈ শাগৈগী মনুংদা ইহান হান্বা ওইনা হাফলংগী ময়োন থোক্লা লৈবা তিলাবস্তী হৌজিক্লা হাগজার নগর - হায়না খংনরিবা মফমসিদা ময়ুম ইংখোল লিংদুনা লৈরম্বা ঠিকাদার মেরা সিংহগী মমিং থোয়দোক্লা পন্বা য়াই। মহাক অসিনা মৈতৈ মচাশিংগী মনুংদা ইহান হান্বা মৈতৈ মচানি হায়না ঙসি ফাওবা ময়ামগী মচিন্দগী তাবা ফংই । মহাক অসি সিল্লেট (বংলাদেশ) রোমদগী লাকপা রাজ মিস্ত্রিগী থবক তৌরম্বা মীওই অমনি । অমসুং রাজ মিস্ত্রিগী শিনফমদা লৈরম্বদগী মমৈথংদা সাব কোনট্রেক্টর অমা ওইখি । হাফলংদগী খজিক তান্না লৈবা বোংকুং (Boungkung) কৌবা খুনগী সাইলালহোই পেনা কৌবী হিন্দু রাংখোল চীংমী নিঙোল অমা লৌদুনা মতমখরনি য়ূম ইংখোল মরাং কাইনা কোনশিন্দুনা পালম্মী। মহাক্কী মথং তাবা ওইনা লমদমসিদা চংলকখিবা মৈতৈ শাগৈগী মনুংদা মথংশিৎনা লৈখিদ্রবা অহল সনজেম্বম কুলজীৎ সিংহ , লাইশ্রম কীর্ত্তি, মৈশ্নাম উপেন্দ্র সিংহ অদুগা মথং খজিক তারকপদা য়ুমলেম্বম বাবাস্না (সনা সিংহ) হায়রিবা মীওইশিংসিগী হৌরকফমগী মরমদা কুপ্পা থিজিল্লুদ্রবসু মখোয় শিংসিনা মৈতৈ শাগৈগী মনুংদা অহানবা চংলকখিবা অমসুং লমদমসিদা চাদা নৌদাদুন্না মথং মথং পান্বা হৌরকখিবা মীওই ঙাক্তানি । তোঙান তোঙান্বা লম্বীদা ঠিকাগী থবক্তা অমদি তোঙান তোঙন্বা শিনফমদা মায়পাক্লা তৌনরম্বা মীওই ঙক্তানি । থোয়দোক্লা পন্বা তারবদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা Haflong Govt. Boys . Secondary অসিগী অনৌবা Building শাবগী Foundation Stone খৃষ্ট ১৯৫৬ কী জানুৱারী তাং ১৯ দা মতম অদুগী His Excellency the Governor of Assam, Jairamdas Daulatram না পাংথোকপীরমই। হায়রিবা School সিগী Building লৈখিদ্রবা অহল ত্রস, কুলজীৎ সিংহ (ময়ান্না কুলজীৎ কোন্ট্রেক্টর হায়না খঙনবা) না B. S. Gill কী মখাদা Sub - contract লৌদুনা শাখী । Missiorary গী School , private

Building অমদি Office Building কয়া লৈখিদ্রবা অহলশিংসিনা Contract লৌদুনা শারম্বগী খুদম কয়া ঙসিসু ঐখোয়না উবা ফংই। ললোন ইতিক্কী মায়কৈদসু মতম অদুদা মৈতৈ লৈরমদবা নত্তে, থোইদোক্লা মতম অদুদা মমিং চৎলম্বা য়ুমলেম্বম বাবাস্না (ময়ামনা সনা সিংহ মাষ্টর হায়রিবা) খ্বায়না মশক খঙনরবা কোর্ট মাষ্টর অমা ওইনা টেইলারিং দোকান মায়পাক্লা তৌদুনা লৈরম্বা মীওই অমনি।

খৃষ্ট চহী ১৯৫২ গী এপ্রিলগী তাং ২৯ দা N.C. Hills Autonomous District council ওইখিবা মতুংদগী এন, সি হিলস তা ওফিস স্কুলগী মশিং হেনগৎলকখী লোয়ননা Employment potency হেনগৎলকপগা লোয়ন লোয়ন্না মপান লমদগী মীওই কাঙলুপ কয়া নৌনা চঙশিল্লকই। অশুম অশুম হাফলং লমদমসিদা চংলকখিবা মৈতৈশিংগী মনুংদা মৈত্রম, ধবনী, এন, সুরেশ, ইবুঙোহল সিংহ, শ্রী তোলেঞ্জাও অমদি তারিনী সিংহনি। মখোয়শিংসিসু হাফলংসিদা মমৈদা মথং মথং য়ুমলিংদুনা লৈবা হৌরকখি। খৃষ্ট চহী ১৯৫০ — ১৯৬০ গী মনুংসিদা মৈতৈ মচা কয়া অমসু মপান লমদমগী সরকারগী থবক্কী অমদি ললোম্বাগী দম[...] চংশিলকখী। মতম অসি ফাওবা লমদমসিদা মৈতৈশিং[...] মশীং অসি খুৎতা থেকপা য়াবগী চাংদা লৈরি। খৃ[...] চহী ১৯৭০ ফাওবদা লমদমসিদা মপান লমদ[...] চংলকখিবা মৈতৈশিংগী মশীং থোয়না য়াম্লমদে[...] তৌইগুম্বসুং খৃঃ চহী ১৯৮০ গী মতুংদগীদি মরুওইন[...] ওঝাগী শিনফমদা লৈবা, সরকারগী লোয়শঙ কয়াদ[...] থবক তৌবা S. S. B .Department দা থবক তৌব[...] মৈতৈ মচা কয়া লোয়ননা কারবার অ[...] খুৎকী শিনফ[...] কয়াদা চংসিল্লকপা মৈতৈগী মশীং য়াম্না হেনগৎলকখী[...]

গুরোন অমমুক্কী মমাংদগী লমদমসিদা মৈতৈ[...] চংলক্কুনা লৈরকপা হৌখী তৌইগুম্বসুং য়ুমলিংদুন[...] লৈরবা মৈতৈ শিংগী মশীং অতৈ অতোপ্পা শা[...] কাঙলুপকা চাংদমনরুরবদি থোইদোক্লা হেনগৎত্রি হায়[...] য়াই। মসিগী মরম কয়ামরোম অমসু লৈরি। অদুগী[...] মথক্তা লৈরক, লৈকাই, য়ুমলোন কৈরোন্নবা খুন অম[...] মওংদা পুন্না তামিন্নবগী খুদোং চাবসু লমদমসিদা ঙ[...] ফাওবা লৈত্রি। (মথং মথং)


9435070286

Energy Healing Centre

Computerised Homoeo, Natural

Treatment & Scanning Treatment Centre.

Ismail Market, Central Road, Silchar - 1.

Chief Consultant.

Dr. M. Santi Kumar Singha, MSc, MD, (Seva Ratna)

Principal - Institute of Medical & Paramedical Science.

R.M.P, MBBS, (AM), & NURSING TRAINING CENTRE

# কমপুটারগী অনৌবা য়াওলদা ডি, এন, এ, কমপুটার

ঐখোয় মীওইবনচিংবা অচৌবা জীবশিংগী হকচাংদা মশিং নাইদনা কাখু লৈ মসিগী কাখু (Cell) ময়াম অসিনা পুল্লগা ঐখোয়গী হকচাং শাগৎপনি। মসিগী কাখুশিংগী মনুংদা নিউক্লিয়াস য়াওই । নিউক্লিয়াসকী মনুংদা ক্রোমোজোম (Chromosome) ক্রোমোজোমগীমুক মনুংদা ডি, এন, এ (DNA) কৌবা পোৎ অমা লৈ । ডি, এন, এ, হাইবসি ডিওক্সি রাইবোনিউক্লিক এসিড কী (deoxy ribonuclic acid) অশম্বা ৱাহৈনি । হাইরিবা ডি, এন, এ, অসিননি জীবশিংগী পারি - পুরিগী মওং মতৌ অমদি লীচৎ শাজৎ পুরিবসি । কাখুশিংগী থৌওং জিনগী (Gene) ওইবা থৌশিন পাওজেন (Genetic Information) পুম্বা পুরিবসি মসিগী ডি, এন, এ, অসিননি ।

ঐখোয়না উরিবা কমপুটার অসিদা য়াওরিবা ইলেকট্রোনিক পোৎশকশিংগী মহুৎতা মসিগী ডি , এন, এ অসি শিজিন্নরগা বৈজ্ঞানিকশিংনা কমপুটার মখল অমা শেম্বদা মায় পাকলে । মসিবু ডি, এন, এ, কমপুটার হায়না খঙনৈ। ইজরাইএলগী উইজমেন ইনসটিটিউট অব সায়েন্স কী (Weijmann Institute of Science) বৈজ্ঞানী ডাঃ ইহদ সেপ্রিও অমসুং মাগী কাংবুনা খৃষ্টঃ ২০০১ দা মলিকুলার রিএকসন কয়া মরিকচুম্না পাংথোকহনবা ঙম্বা অহানবা ডি, এন, এ, কমপুটার শেমখি। মসিগী কমপুটার অসিগী খ্বাইদগী ঙক্লিঙাইদি পোৎ খজিক্তদা মেমোরি য়াম্না চনবা অসিনি। শুপ্নাগী ডি, এন,এ , গ্রাম অমদা কোমপেকট ডিস্ক ট্রিলিয়ন অমগা চপ মান্নবা মেমোরি চনলি। ঐখোয়না হৌজিক শিজিন্নরিবা কোমপেকট ডিস্ক অমগী স্টোরেজ কেপাসিটি অসি আয়াম্বনা মেগাবাইট ৬৪০দগী ৭০০নি।

মসিগুম্বা Storage Capacity য়াম্না লৈবা কমপুটার অসিগী সোফটওয়ার ওইনা থোইদোক্লা শুংদোকলবা ডি , এন , এগী লংচাক (DNA Strand) শিজিন্নে। জিনগী থৌশিন পাওজেলশিং অসি মওং মরিথোক্লা হায়রিবা লংচাক অসিদা তুংদুনা থম্মী । বৈজ্ঞানীকশিংনা মসিগী মওং মরিদগী মওং অনিখকপু ডি, এন, এ, কমপুটারগী থৌদা পাওজেলগী (Input) থবক থৌরমগী দমক শিজিন্নে । অদুগা কমপুটার মখল অসিগী হার্ডওয়ার ওইনা হকচাংগী সেল ডিভিসনদা মরু ওইবা থৌদাংপুবা এনজাইম মখল অনিখক সিজিন্নে।

অদুবু লুরিবদি মসিগী কমপুটার অসিগী থবক থৌরম পুম্বা মহৌশা শিজিন্নরিবা কমপুটার গুম্না বাইনারি ( Binary) লোন্দা শিজিন্নরবসু মসিগী আউপুট অসি মহৌশা কমপুটারগী মনিটারদা থোকপা অরাইবা লোন্দা নৎত্তে । মদুগী মহুত্তা অঙৌবা অমসুং অমুবগী ডি, এন, এ, চার্ট উৎলি । মরম অদুনা মসি, হৈশিংলবা বিজ্ঞানীশিং নত্তনা অতোপ্পনা শিজিন্নবা ৱানথোকই। মসিগী মরমননি DNA কমপুটারনা মহৌশা Electronic কমপুটারগী ফম হৌজিক ফাওবা মুনলকত্রিবসি। অদুবু বিজ্ঞানগী অনৌ অনৌবা য়াওলদা মসিগী ডি, এন, এ, কমপুটার অসিসু জীব বিজ্ঞানগা মরী লৈনবা থবক থৌরমতা পাংথোকচবগী ঙমখৈ অসি লাম্হোরকতুনা ইকুই কুইদনা ইলেকট্রোনিক কমপুটারগী মহুৎ শিনল্লকনি। মসি ওইথোকপা নুমিৎত্তা ইলেকট্রোনিক কমপুটার অসি কুৱান্টাম (quantum) কমপুটারগুম পীকলবা সি, পি, উ, অমদা অঙকপা ফংলবা মেমোরী চলহনবা ঙমলগনি।

মসিদা মায় পাকলবদি হৌজিক শিজিন্নরিবা কমপুটার মখল পুম্বগী চাউবগী চাং অসি মহৌশাদগী য়াম্না হন্থহনবা য়ারগনি। শুপ্নগী ফূরিৎখাত্তদা চনবা কমপুটার মচা অমদা অঙকপা ফংনা থবক শুবা য়ারগনি।

# কেরিয়ার কোর্নার

## TEA MANAGEMENT

*বিজয়া সিংহ*

অয়ুক অঙনবদা চা কাপ অমগী মহাও ফংদ্রবদী নুমিৎ অদু মপুং ফাদে হায়না খনবা মীওই কাংলুপ কয়াসু লৈতবা নৎতে। অদুগা অয়ুক অঙনবা অদুদা খবর চেগী কেরিয়ার কলামগী লমায়দা কেরিয়াগী মতাংদা করি য়াওরি হাইনা থিবদসু হুমাঙ থোকনরিবনি ঐখোইগী নাহারোনশিং মরমসিনা ফোং ফোং শাবিবা চা - কাপ অদু পাইদুনা নিংতম্বগী কোর্নারগী লামায় অদু হাংলুবদা কেরিয়ার গী লমদা টি , ম্যানেজমেন্টনা কারি কানবা পিরি হায়বদু থেংনরবদি চাগী মহাও অদু তশেংনা মপুঙ ফাগনি। চা শিনফমদা লৈরিবা ব্রাঞ্চশিংদি

(১) টি ম্যানেজমেন্ট।

(২) টি , টেকনোলোজি ।

(৩) টি, মার্কেটিং ।

## টি ম্যানেজমেন্ট তম্বা য়াবা Institute শিংদি

(১) অসম কৃষি বিশ্ববিদ্যালয় ডিপার্টমেন্ট অব টি ,হাজব্যান্দ্রি অ্যান্ড টেকনোলিজ ,জোরহাট , আসাম ।
ওয়েবসাইট ঃ http://www.aar.ac.in/index.htm

(২) এন আই টি , এম , দার্জিলিং টি , রিসার্চ অ্যান্ড ম্যানেজমেন্ট অ্যাসোসিয়েশন ।

পোস্ট অফিস —— কদমতলা

দার্জিলিং —— ৭৩৪৪৩৩

টেলিফোন নম্বর —— ০৩৫৩ - ২৫৮১৫৯৩

ই-মেল ঃ rigdtrma @ Sancharnct in

(৩) আসাম - দার্জিলিং টি , রিসার্চ সেন্টার কাশিয়াং দার্জিলিং — ৭৩৪২০৩

(৪) তোহলাই ইনস্টিটিউট জোরাহট , আসাম

অ্যাডমিশন তৌবদা চংলিবা মহৈগী থাক ঃ হায়রিবা ইনস্টিটিউট শিংদা অ্যাডমিশন তৌনিংলিবা ছাত্রশিংনা অহানবদা গ্রেজুয়েশন লোইশিনবিগনি। বি , এসসি এগ্রি পাস তৌরবা ছাত্র শিংনা অহেনবা খুদোংচাবা ফংগনি। বোটানি, ফুডসায়েন্স হর্টিকালচারদা গ্রেজুয়েট ওইরবা ছাত্রশিংসু অ্যাডমিশন তৌবা য়াগনি। বিজনেস ম্যানেজমেন্ট কোর্স তম্বা য়াগনি।

তমবদা চংলিবা মতম ঃ চহি অমা ।

তমগদবা কোর্সটি ঃ পোষ্ট গ্রেজুয়েন্ট ডিপলোমা ইন টি মেনেজমেন্ট ।

টি ম্যানেজমেন্টকি মতাংদা অৱাংবা থাকি অমদি অহেনবা কোর্স কয়াগী মরমদদি মতাং অসিদা নৈনজদ্রে । অদুগা টি টেকনোলোজি অমদি টি মার্কেটিংগী মতাংদা মথংগী ইসুসিংদা ফংবিগনি।

# Awareness Camp 2006

## Organised by : Nongyeen Socio Cultural Welfare Association

Estd. - 2005
H.O. - Silchar

শোম্বরবা জাতী অমগুম মাংজীল থাবা ঙমগনি থাজবা ৱাৎশিল্লকলবা মতমসিদা ঐখোয়গী ইরক্তা য়েনিংথা খুদিংগী নৌন ময়োল চোংলকপা পামেলগুম হৌরক্লিবা ছাত্রশিংগী মফমদা আশা থমলবদি নোংমদি শোইদনা ঐখোইসু মাংজীল থাদুনা মীংচৎ লৈবা মীওই অমমম ওইরক্কনি হাইবগী আশা থমলগা হৌখিবা ফেব্রুয়ারীগী তাং ৬ নিংথৌকাবা নুমিৎ রংপুর ইবেমহল হাইস্কুলগী গ্রাউন্দদা মমাং চহি ২০০৫কী এইচ, এস, এল, সি, পরিক্ষাদা ফ্রাস্ট ডিভিসনগী মথক্তা পাস তৌখিবা কাছাড় ডিস্ট্রিক্কী ওইবা মণিপুরী ছাত্রশিংগী এৱারনেস কেম্প অমা Nongyeen Socio Cultural Welfare Association না চিং লেম্না পাংথোকখি। লোয়ন লোয়ননা "আসামদা মণিপুরী মিডিয়াম মহৈরোইশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম" হাইরিবা তোপিক অসিগী মরমদসু অখং অহৈ ওঝা কয়ানা মরিকচুন্না খন্ন নৈনদুনা তুংদা লাক্কদবা ছাত্রশিংগী থৌনা পিবা ওইনা শিনজা লাংজখিবা "Nongyeen Socio Cultural Welfare Association" না য়ান্না ৱানা হোৎনদুনা পাংথোকখিবা থৌরম অদুগী ডাইসতা লৈতেংবিখিবা মীওইশিংনা তুংলমচৎতসু হাইরিবা থৌরম অসিদগীসু হেন্না শিনলাংবিরক্লবা মোত কয়া থল্লমবগা লোয়ননা মীয়ামনসু তুংগী মীরোনগী অমদি মহৈরোইশিংগী য়েংলগা অসিগুম্বা থৌরম কয়া মাইপুননা শৌগৎপীদুনা অফবা পাওতাক কয়া পিবিখিবতা নত্তনা মণিপুরী মিডিয়াম ওঝা শিং অমদি মহৈরোই শিংগী মমা মপাগী মফমদসু অফবা ছাত্র অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং কয়াসু লৌফম থোকই হায়না তাকপিরম্মী।

হাইরিবা Awarness Camp অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা লাকখিবা শিংগী মরক্তা ..

| | | |
|---|---|---|
| President | - | Kh. Paton Singha |
| Chief Guest | - | Y. Nabachandra Singh<br>V.P. NIPCO, Manipur |
| Special Guest | - | Manaranjan Singh<br>G.. AMSU, Manipur |
| Guest of Honour | - | S.Y. Indrababu Singha<br>Editor - Sanaleipak<br>M. Niranjan Singha<br>Ex. Secretary (MILL)<br>Th. Binoy Singha<br>Ex.Secretary AAMSU<br>L. Merachaoba Singha<br>Ex. President AAMSU<br>L. Satyajit Singha<br>General Secy. AAMSU |

হাইরিবা Awareness Camp অসিদা মহৈরোই ২০ মুক্লা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা মহৈরোই খুদিংমক্তা সার্টিফিকেট অমদি অখন্নবা মনা কয়া পিদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। মখোই শিংগী মরক্তগী তোপ ফাইভ খন্দোক্লগা Cash Money অমদি অখন্নবা সাবজেক্ট খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা মীংথোল (টাইতল) পীদুনা অহেনবা মনা কয়াসু য়েনথোকখি শন্না হাইরবদা Highest Marks in English, Highest Marks in Manipuri and Highest Marks in Mathematics না চিংবনি।

# Nongyeen Socio Cultural Welfare Association না Awareness Camp অসিদা লাকখিবা মহৈরোইশিংদগী Top Five খন্দোকলবা মতুংদা মথং মনাও নাইনা মনা য়েনথোকখ্রবা মণিপুরী মহৈরোইশিং.....


1st Prize, 5 L
Th. Sunita


2nd Prize, 4 L
L. Abhinas


3rd Prize, 2L
Hiren Tombi


4th Prize, 2L
A. Yai Chanu


5th Prize, 2L
Kh. Beauty


6th Prize, 2 L
F. Binota


7th Prize, 1 L
Premila Singha


8th Prize, 1L
R.K. Archana


9th Prize, 1L
Bikram Singha

9th Prize, 1L
Kh. Prakash


10th Prize, 1 L
Birajit Singha


11th Prize, 1 L
Ksh. Dipak


12th Prize, 1L
Chiranjoy Singha


13th Prize, 1L
Bebita Singha


14th Prize, 1L
Sumala Singha

## Awareness Camp অসিদা মাইপুননা মতেং পাংমিনখিবা Nongyeen Socio Cultural Welfare Association গী Executive Member শিংদি......

| | | |
|---|---|---|
| President- | - | Kh. Paton Kumar Singha |
| Vice President | - | M. Ashok Kumar Singha |
| General Secretary | - | M. Nanda Babu Singha |
| Joint Secretary | - | M. Robindra Singha |
| Finance Secretary | - | Th. Ibomcha Singha |
| Asst. Finance Secretary | - | M. Sarat Singha |
| Information & Publicity | - | M. Thambal Angow Singha |
| Leterary Secretary | - | A. Chandrakishore Singha |
| Libraryan | - | Y. Joy Chandra Singha |
| Office Incharge | - | H. Sanjit Kr. Singha |
| Auditor | - | F. Gokula Singha |
| Asst. Auditor | - | M. Sanaba Singha |

ফোন - (০৩৮৪২) ২৫৭১২০

মোবাইল - ৯৪৩৫২৩২৩৫১

# মোইরাংথেম গ্রাফিক্স

সেন্ট্রেল রোড, শিলচর

হোটেল স্বাগট মনাক, কো-ওপারেটিভ মার্কেট রুম নম্বর - ৬

মফম অসিদা মীয়ামগী খুদোং চান্নবগী দমক লৈজরে মখল মথেল লাইরিক, ডাইরি, মেগজিন, লুহোংবগী বার্ত্তন, ভিজিটিং কার্ড অমদি অতৈ অতৈ প্রিন্টিংগী থবক খুদিংমক অহোংবা মমলদা শুজরি।

# JOIN AAMSU LONG LIVE AAMSU

"OUR MOTTO : STUDENTS' ARE THE PILLARS OF THE NATION"

ALL ASSAM MANIPURI STUDENTS' UNION

★ ASSAM ★

**Head Office - SILCHAR, CACHAR (ASSAM)**